## চাদা ১৫ গী খুদোংচাবা পীগনি

ইম্ফাল, জুন ১৪ (ঐচ এন এস): তোঙান-তোঙানবা কোর্সশিংদা মপান লমদা মহৈ তম্লিংবা মণিপুরদগী মহৈরোয়শিংদা চাদা ১৫ গী খুদোংচাবা পীগনি হায়না রোজ মাইন ট্রষ্টকী চ্যেরমেন অৱাই অম্বরনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা মহাক্না হায়খি, রোজ মাইন ট্রষ্ট অসি কুমজা ২০০৫ তা লিংখৎখি। ট্রষ্ট অসিনা লায়রবা মপান লমদা মহৈ তম্লিংবশিংদা খুদোংচাবা পীরি। ষ্টেট য়ুনিভর্সিটি অমসুং সেন্ট্রল য়ুনিভর্সিটিদা মণিপুরগী ওইনা চাদা ১৫ খুদোংচাবা পীগনি। হয়েং অরিয়ন ঠিএটরদা মহৈরোয়শিংগী মমা-মপা য়াওনা সেমিনার অমসু পাঙথোক্কনি। ট্রষ্ট অসিনা মপান লমদা তম্লিংবা দোনেসন পীবা ঙমদবা মহৈরোয়শিংদা খুদোংচাবা কয়াসু পীগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## ফোরম শেমখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৪ (ঐচ এন এস): ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটিগী মখাদা লৈরিবা কোলেজ মঙা মথংশিংনা দি এম কোলেজ ওফ আর্টস, দি এম কোলেজ ওফ সাইন্স, দি এম কোলেজ ওফ কমমর্স, জি পি ৱিমেন কোলেজ অমদি এল এম এস লো কোলেজগী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী সেক্রেটরিশিংগী ওইবা অপূনবা মীফম অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা জোইন্ট ষ্টুদেন্টস ফোরম ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটি শেমখ্রে হায়না ফোরম অসিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

থৌ পুনবা খল্লবশিংদি, কন্ভিনরদা য়ুম্নাম রামেশ (দি এম কোলেজ ওফ আর্টস), কো-কনভিনরদা হিজম ইনুংঙানবী (জি পি ৱিমেন্স কোলেজ), কো-কনভিনরদা ওইনাম লেমিনা (দি এম কোলেজ ওফ কমমর্স) অমসুং কো-কনভিনরদা ঙাংবম নেলসন (দি এম কোলেজ ওফ সাইন্স) নি। য়ুনিভর্সিটি অসিগী শোখরিবা থবক থৌরম খুদিংমক্তা মায়পুননা থবক তৌবা ঙম্নবা ফোরম অসি শেম্বনি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তারি।

## ওথোরিটিনা য়েংশিনবীয়ু

ইম্ফাল, জুন ১৪ (ঐচ এন এস): ৱাংখৈ এ সীগী চেঙ ফংহন্দ্রে, হিরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা য়েংশিনবীয়ু হায়না ওল মণিপুর নুপী মরুপকী সেক্রেটরি ৱাই ইন্দ্রানিনা ঙরাং পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে। মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা ৱাই ইন্দ্রানিনা হায়খি, কুমজা ২০১৮ গী সেপ্টেম্বরদগী হৌরগা থা ১০ রোম অসিদা নেসনল ফুদ সিক্যুরিটি এক্তকী মখাদা অহোংবা মমলদা ফংহনগদবা চেঙ ফংহন্দনা লৈরি। মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়নসু মখা তাখি।

## এক্সিদেন্টতা ৬ শোক্লে

ইম্ফাল, জুন ১৪ (ঐচ এন এস): লমশাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা সেঞ্জম চিরাংদা ঙরাং অয়ুক পুং ৮.৩০ রোম তাবদা ৪০৭ টাটা অমগা দিজল ওটোরিক্সো অমগা থোমগাইনবদা দিজল ওটোরিক্সো ওনবদা গাড়ী অদুদা তোংলকপা মীওই তরুকলোম অশোক-অপন নংখ্রে। থৌদোক অদুদা অশোক-অপন নংখ্রবা মীওইশিং অদুদি, ফুল্লৌদগী সী ঐচ ইনাওবী (৫২), লাইরেন শজিত্তগী সী ঐচ মেমচৌবী লৈমা (৫৬), খুন অসিমক্তগী হুইরেম একাসিনি (৫৬), ফুল্লৌ সিফাইদগী সী ঐচ রাজেন (৪৯), ফুল্লৌদগী এ অবে (৫৬), লাইরেন শজিত্তগী এন নুনলারৈ (৫৬) নি। মখোয় মমায়, কোক, খুৎ, থবাক, নঙ্গল, খোঙ, খ্বাঙ অমদি মীৎপানচিংবা শোকপদগী রিমস অমদি মনাক নকপা হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে। থৌদোক অদুগী মতাংদা লমশাং পুলিসনা কেস অমা লৌখৎখ্রে।

## লাইরিক ফোঙগদৌরি

ইম্ফাল, জুন ১৪ (ঐচ এন এস): কলচরেল ফোরম মণিপুরনা শীন্দুনা থা অসিগী ১৬ তা মণিপুর হিন্দী পরিষদকী হোলদা প্রোফেসর কে ঐচ কুঞ্জোনা মণিপুরীদা হন্দোকপা নিংতম্বা অমসুং ইংলিসতা ইবা মিল্লেনিয়ম ত্রিলোজি (ইংলিস নোভেল) ফোঙবগী থৌরম পাঙথোক্লগনি হায়না ফোরম অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি ক্ষেত্রি রাজেননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, থৌরম অসিদা এম এল এ, এল রাধাকিশ্বরনা অথোইবা লেংবীরকপা অমসুং কলচরেল ফোরমগী প্রসিদেন্ট হুইরেম বিহারীনা থৌরম মপু ওইগনি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মণিপুরী দিপার্টমেন্টকী হেদ প্রোফেসর রাজেন তোইজাম্বা অমসুং ইম্ফাল কোলেজগী প্রিন্সিপাল মোইরাংথেম প্রিয়োবর্ত্তনা অখন্নবা লেংবীরকপা ওইনা শরুক য়াবগা লোয়ননা লাইরিক্কী মরমদা ৱা ঙাঙগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

HL-B/5402/30/5-19/6

# জুম কল্টিভেসনগী মহুৎতা ব্রা থারবদি শেন্মীৎলোন ফগৎহনবদা মতেং ওইগনি : শ্যামকুমার

ইম্ফাল, জুন ১৪ (ঐচ এন এস): জুম কল্টিভেসনগী মহুৎতা ৱা থারবদি শেন্মীৎলোন ফৎহনবদা মতেং ওইগনি হায়না ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরনমেন্ট মিনিষ্টর থৌনাওজম শ্যামকুমারনা ঙসি সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা পাঙথোকখিবা বেম্বু রিছোর্স এন্দ প্রদক্ট দিভলপমেন্টকী ৱার্কশোপ হৌদোকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

নেসনল বেম্বু মিসন মণিপুরনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ৱার্কশোপ হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা টি ঐচ শ্যামকুমারনা হায়খি, ষ্টেট অসি ৱা মরাং কায়না হৌবা লমদম অমনি। ৱা থাবগী থবক মায় পাক্লা পায়খৎপা য়াগনি। লমদমসিদা য়েলহৌঙৈদগী লৈজরক্লবা ৱা মখলশিং য়োকখৎপগা লোয়ননা শেম্হোক লৈগদবা ৱা মখল কয়া অমসু থাদুনা শেন্দাল লম্বী ওইবা য়াই। ৱা মপুং ফাবদা চহী য়াম্না চঙদে। ৱা থারবা মতুংদা কাঙলোন চুম্না য়ানবা য়াই। কাঙলোন চুম্না য়াল্লবদি ৱা হৌবগী চাং হেনগৎহল্লি। ৱা মশাসু ফৈ। জুম কল্টিভেসনগী মহুৎতা ৱা থারবদি শেন্মীৎলোন ফগৎহনবদা মতেং ওইগনি। মহৌশাগী অকোয়বগী ফীভম ফগৎহনবদসু কান্নগনি। ৱা অসি তোঙান তোঙানবা হিরম কয়াদা শীজিন্নবা য়াই। উসোয়সু চীঞ্জাক ওইনা পাম্না চানৈ। উসোয়দগী তোঙান তোঙানবা চীঞ্জাক মখল কয়া শেম্বা য়াই।

থৌরমনচিংবা শীনবদা উ-চারা গিফ ওইনা পীবগী থবক হৌদোকপা ফগনি। ঙসিগী ৱার্কশোপ হৌদোকপগী থৌরমদা ৱা চারা পীরিবসি য়াম্না অফবা খোঙথাং অমনি। ৱা চারাশিং মফম চানা থাগনি। থৌরমশিং পাঙথোকপা মতমদা তোঙান তোঙানবা গিফ মখল কয়া পীবগী মহুৎতা উ-চারা ওইনা পীরবদি উপাল য়োকখৎপদা মতেং ওইগনি। উ-চারা থাবদা হৌনবা চেকশিন্না য়েংশিনবা তঙাইফদে। গ্লোবেল ৱার্মিংগী লাক্লিবা চৈথেং কয়া অসি খঙমিন্নবগা লোয়ননা উপাল য়োকখৎনবা অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নরসি। অফবা থবক তৌরকপদা ঈকায় খুম্নবা অমদি পূক্লিং থৌগৎপা তাই। চীংগী লমশিংদা মখল কয়াগী ৱা থাবা য়াগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইখিবা এদিসনল চীফ সেক্রেটরি সুহেল অবটারনা হায়খি, ৱাগী পোৎলমশিং অসি হৌজিক্কী মতমদা য়াম্না পাম্না শীজিন্নরক্লি। হায় ক্বালিটি ভেরাইটি কয়া থাজিনবা তঙাইফদে। বেম্বু মিসনগী মখাদা ক্বালিটি প্লান্টিং মেটরিএল পুথোক্লবা মীৎয়েং কয়া থল্লক্লি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাঙলদুনা এদিসনল পি সী সী এফ, ডা. দি দি হাওকিপনা হায়খি, মণিপুরদা নেসনল বেম্বু মিসনগী মখাদা হায় টেক নর্সরি অমা ইম্ফালদা শেমগৎলক্লি। নর্সরি য়ুনিট কয়াসু শেমগৎলক্লি হায়নসু ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা চীফ কঞ্জার্ভেটর ওফ ফোরেষ্ট এন্দ হেদ ওফ ফোরেষ্ট ফোর্স কে অঙ্গামিসু শরুক য়াখি। তুংদা টেক্নিকেল সেসন পাঙথোক্তুনা রিছোর্স পার্সন কয়ানা ৱাগা মরী লৈনবা হিরম কয়াদা ৱা ঙাঙখি।

# মন্দাকিনিনা ঙাঙখিবা অশোয়বশিং দাউনলোদ তৌখিবশিংনা মুখৎপীয়ু : উকল

ইম্ফাল, জুন ১৪ (ঐচ এন এস): শৈশকপী মন্দাকিনি তখেল্লম্বমনা ঙাঙখিবা অশোয়বশিং দাউনলোদ তৌখিবশিং ঙসিদগী ককথৎপীরো, নুংশি-চান্নবা পুরক্লসি হায়না উকলগী সেক্রেটরি সী ঐচ নবচন্দ্র মৈতৈনা আপিল তৌরক্লি।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা সী ঐচ নবচন্দ্রনা হায়খি, উকল অমসুং সনামহী টেম্পল বোর্দ অনীনা মরুওইবা থৌদাং লৌদুনা মন্দাকিনিবু ৱাখল তাহঞ্জরে। মীওইবা ওইবনিনা লাল্লে হায়জরবনিনা কনবীবা তাবনি। মহাকপু ঙাকপীবগা লোয়ননা মতুংদা অমুক হন্না থোক্তনবা ৱাখল তামিন্নবনি। ঙসিদগী মোবাইলদা অপলোদ তৌদুনা থাগৎলিবা ময়াম অদু মুখৎপীরো, নুংশি-চান্নবা পুরক্লসি হায়খি।

উকলগী কনভিনর এম মনিতোননা হায়খি, মন্দাকিনিনা ঈশৈ-নোংমাইগী থৌরম অমদা লাই লন্নানবদা মহাক্না হায়খিবদু ৱাখল তামিন্নরে। লাল্লে হায়বসি লৈবাক মীয়ামদা শেংদোকপগা লোয়ননা হায়জরকখ্রে। মরমদি সনামহী টেম্পল বোর্দ অমসুং উকলনা মরুওইবা থৌদাং লৌদুনা মতুংদা মখা তানা থোকহন্দনবা হোৎনজবনি। থৌদোকশিং অদুগী মতাংদা সোসল মীদিয়া, ফেসবুক অমসুং য়ু ট্যুবতা থাগৎপীদুনা ঙাঙনরিবা ময়ামদুসু ঙসিদগী মুখৎপীরো হায়খি।

মন্দাকিনিসু শরুক য়ারদুনা হায়খি, হন্দক কছারদা পাঙথোকপা লাই হরাওবগী থৌরমদা লাই লন্নানবদা হায়খিবা অদু তশেংনা শোয়খিবনি। নুংশিবা ইবুং-ইপ্বা, লৈবাক মীয়াম পুম্নমক্তা লাল্লে হায়জরি। ঐনা লাই হরাওবা করিনো খঙলমদবা অদু উকলগী ইচিল-ইনাওশিং অমদি সনামহী টেম্পল বোর্দকী ইপা-ইপল ময়াম্না ঐবু নৌহৌননা ৱাখল তাহনবীরে। মসিদা হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎলি। তুংদা মীয়ামগী থম্মোয় শোক্কদবা নুংঙাইতবা ৱাহৈ হায়দনবা হোৎনজগে হায়খি।

সনামহী টেম্পল বোর্দকী ভাইস চ্যেরমেন বিদ্যাপতি সেঞ্জমনা হায়খি, সানমহী লাইনিংগী ওইবদা মখা তাবা ৱাফম লাকপা য়াবদগী মন্দাকিনিবু ৱাখল তাহন্দবা য়াদবগী তাহনবনি। মরমদি লাইনিং হায়বসি অমদগী অমনা হেনবা নত্তে অমদি হন্থবা লৈতে। সনামহী টেম্পল বোর্দকী মেম্বর কে ইবোমচা, লায়াম কংলৈপাক্কী এদভাইজর এল ইবোয়াইমাসু শরুক য়াখি।

## ‘খোঙজং মতম খরগী ওইনা হন্দোক্লে’

ইম্ফাল, জুন ১৪ (ঐচ এন এস): ওইনাম কৈথেলদা মীয়াম হুপ্না শরুক য়াবা ৱাকৎ মীফম অমদি মখল কয়াগী খোঙজং চঙশিনগনি হায়না তৌরম্বা অদু পব্লিক হেল্‌থ এঞ্জিনিয়রিংগী মীওইশিংগা ফম্মিন্নদুনা য়ানবা পুরকপদগী মতম খরগী ওইনা হন্দোক্লে হায়না এক্সন কম্মিটি ফোর দ্রিঙ্কিং ৱাটর ওইনামগী কো-কনভিনর সুসিন্দ্রোনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, নম্বোল পুলিসকী ওফিসর ইন-চার্জনা ওইনাম মীয়ামগী সেন্টিমেন্ট খঙদুনা কন্না হোৎনবগা লোয়ননা হেল্‌থ এঞ্জিনিয়রিং দিপার্টমেন্টকী এসিষ্টেন্ট এঞ্জিনিয়রনা লুচিংবা টিম, ওইনাম ম্যুনিসিপাল কাউন্সীল, ক্লব অমদি মৈরা পায়বীশিং য়াওনা কম্মিটিগী মীহুৎশিংগা মীফম অমা ফমখি। ঈশিং মরাং কায়না ফংহন্নবা দিমান্দ তৌদুনা লাক্লবা অসিগী মতাংদা ৱারী শানদুনা য়ানবা পুরকখি।

এসিষ্টেন্ট এঞ্জিনিয়র পি ঐচ ঈদিনা ইবা ৱারোল অদুদা য়াওরিবদি, পাইপ য়ৌরগা ঈশিং ফংদনা লৈরিবা অদু অথুবদা ফংহনগনি। পাইপ য়ৌদ্রিবা মফমশিংদা পাইপ য়ৌহন্দুনা ঈশিং ফংহনগনি। ওইনাম ৱাটর সপ্লায় স্কিমগী চৌকিদার অমা অথুবদা থম্লগনি। দিপার্টমেন্টনা পীবা থাজবশিং অসি নুমীৎ ২০ নিগী মনুংদা পাঙথোক্কনি হায়বা অসিনি। চেরোল অসিদা ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী চ্যেরপার্সন, নম্বোল পুলিসকী ও সীসু খুৎয়েক পীখি। পুলিস দিপার্টমেন্টনা অচৌবা থৌদাং লৌবগীদমক তৌবীমল খঙবা উৎলি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## অকুপ্পা ৱারোল পীখৎপীরকউ

ইম্ফাল, জুন ১৪ (ঐচ এন এস): য়েলহৌ মশান্না থাঙ-তাবু চাউখৎহন্নবা পান্দমদা শেমখিবা কম্মিটি ফোর প্রমোসন ওফ ইন্দিজিনস গেম থাঙ-তাগী অহানবা মীফমদা কম্মিস্নার য়াসনা পীখিবা পাউতাক্কী মতুংইন্না কম্মিটি অসিগী ওইনা থা অসিগী ১৮ দা ফমগদবা ৱারোল পীখৎপা ঙম্নবা মণিপুরগী মনুং অমনুং মপান্দা লৈরিবা য়ু এফ ওগী মীতৈ হুয়েল লাংলোন শিন্দমশঙশিংগী লৈফম, অৱাৎ-অপা অমসুং শিন্দমলোয়শিংগী মশিংনচিংবা ওর্গনাইজেসনগী সেন্ট্রেল হেদ ক্বার্টর, হৈবোক্তা থা অসিগী ১৭ ফাওবগী মনুংদা পীখৎপীরকউ হায়না য়ুনিভর্সেল ফ্রেন্দশিপ ওর্গনাইজেসন (য়ু এফ ও) গী জেনরেল সেক্রেটরি লোয়ুম্বনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## চে-গভারাগী মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৪ (ঐচ এন এস): মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীল, ওল ইন্দিয়া য়ুথ ফেদরেসন্না শীন্দুনা চে-গভারাগী ৯১ রকশুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি ইরাবত ভবনদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা সী পি আই মণিপুরগী সেক্রেটরি এল সোটিনকুমারনা হায়খি, মালেমদা পুম্নমক্না য়ারবা রেভল্যুস্নরি লুচিংবশিংগী মনুংদা চে-গভারাসু অমনি। কুমজা ১৯২৮ তা চে-গোবেরা অর্জেন্টিনাদা পোকখি। মহাক মেদিকেল ষ্টুদেন্ট ওইনা পাস তৌরবা মতুংদা মীয়ামগী ডোক্তর ওইনা থবক তৌখি। লায়রবা কয়ানা তারিবা খুদোংচাদবশিংদা মতেং পাংনিংবগী ৱাখল্লোন কয়া ফাওখি। লেটিন আমেরিকাগী লৈবাক পুম্নমক শিনবা থুংনা মোটোর সাইকল তোংদুনা চৎতুনা অৱাবশিং উখি। লেটিন অমেরিকাগী ওইনা মতম অদুদা সমরাজৱাদিনা লৈঙাক লিংখি। মখোয়গী কন্ট্রোল মখাদা লৈদুনা চত্থরকখি। নম্ফু লৈঙাক্কী চৎনবী কয়াগী মায়োক্তা মহাক্না থেংনরকখি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাঙলদুনা এ আই ৱাই এফকী ইন-চার্জ সিংহজিৎনা হায়খি, চে-গভারানা মতম অদুদা লৈরম্বা লেটিন অমেরিকাগী ওৎপী-নৈবীরবা কয়াগীদমক লেপ্তুনা মীয়ামগীদমক থেংনখি। মহাক্না মীয়ামগীদমক লৌরম্বা থৌদাং অদু নীংশিংনরি। নুপীশিংদসু ট্রেনিং কয়া পীবগা লোয়ননা নুপীগী লুচিংবশিংগা খুৎশম্নরগা থবক কয়া পায়খৎলমখি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা সী পি আইগী সেক্রেটরিএট মেম্বর ইবোয়াইমা অমদি এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি কে ঐচ সুরচান্দসু শরুক য়াখি।

## মীফম পাঙথোক্তুনা লম্বী কক্লগা শেম্নবা লেপ্নখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৪ (ঐচ এন এস): লৈতেম্বী য়ুথ ৱেলফ্যের ওর্গনাইজেসনগী প্রসিদেন্ট অথোকপম সনাজাওবনা প্রিসাইদ তৌদুনা ওর্গনাইজেসন অসিগী শঙলেন্দা লৈকায় অসিগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোকপগা লোয়ননা মখা পাৎ লৌচিন্দগী বামোন কম্পু হিরাংফম থোং ফাওবগী লম্বী কক্লবা লেপ্নখ্রে হায়না ওর্গনাইজেসন অসিগী প্রসিদেন্টনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মীফম অদুদা ৱারেপ অহুম লৌখি। ৱারেপশিং অদুদি, মখা পাৎ লৌচিনদগী (ৱেটিং সেদ) বামোন কম্পু হিরাংফম লম্বী ককপা, লম্বীগী অপাকপা ফিট ১৫ ককপা হায়নসু য়ানখি। হান্না লম্বী ওইনা চৎনরম্বা তোৰ্ব্বানগী শরুক ফিট ৮ অসি রিং বন্দ ওইনা থল্লগা তোৰ্ব্বানগী হেক নাকলদা মীয়ামগী লম্বী ওইনা ফিট ১৫ পাকপা ফিট ২.৫ নৎত্রগা ফিট ৩ ফাওবা লুথনা ককপা হায়নসু অমত্তা ওইনা লেপ্নখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

লৈতেম্বী য়ুথ ৱেলফ্যের ওর্গনাইজেসনগী মীওইশিং অমদি লমদম অদুগী অহল-লমন কয়া য়াওনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুনা কুপ্না খন্নরবা মতুংদা লম্বী কক্লগা শেম্নবা লেপ্নখিবনি হায়নসু ওর্গনাইজেসন অসিগী প্রসিদেন্টগী চেরোলদুনা হায়রি।

## এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৪ (ঐচ এন এস): দি এম ও বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মখাদা য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিনা শীন্দুনা ভেক্টর বোর্ন দিজিজগা মরী লৈননা নোংমগী ওইবা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অমা ঙসি বিষ্ণুপুর থিয়াম লৈকায়দা লৈবা ৱিমেন্স সোসিও ইকনমিক এন্দ দিভলপমেন্ট ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী শঙলেন্দা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙবদা দি এম ও বিষ্ণুপুর ডা. টি ঐচ নবকিশ্বরনা ফোঙদোকখিবদা, কাঙনা চিকপদগী থোকপা লায়নাশিংদগী মতৌ করম্না ঙাকথোক্কনি হায়বসি খঙমিন্নবা চঙই। ঙসিগী থৌরম অসিগা মরী লৈননা কাংখল ১৮০ রোমসু হিদাক লুপ্‌-খ। বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মফম কয়াদসু অসিগুম্বা প্রোগ্রামসি পাঙথোকপীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি। অখঙ-অহে কয়ানা কাঙনা চিকপদগী শন্দোকপা লায়নাগী মতাংদা ৱাফম কয়া থমখি।

থৌরম অদুদা অমকিলগী ভাইস প্রসিদেন্ট এল ঙানবী অমদি লৈকায় অসিগী অহল অপাল্লৈসু শরুক য়াখি।

## ৱর্ল্ড ব্লদ দোনেসন দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৪ (ঐচ এন এস): নেসনল হেল্‌থ মিসন, মণিপুর ষ্টেট এইদস কন্ট্রোল সোসাইটি এন্দ ব্লদ বেঙ্ক এন্দ ট্রান্সফ্যুজন য়ুনিট, জেনিমসনা শীন্দুনা ৱর্ল্ড ব্লদ দোনেসন দে ২০১৯ গী থৌরম ঙসি পোরোম্পাৎকী জেনিমস ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

চহী অসিগী থীম্না সেভ ব্লদ ফোর ওল হায়বসিনি। থৌরম অদুদা হেল্‌থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমার, নেসনল হেল্‌থ মিসন মণিপুর ষ্টেট মিসন দিরেক্টর ডা. এস মনিকান্তা, মণিপুর ষ্টেট এইদস কন্ট্রোল সোসাইটিগী প্রোজেক্ট দিরেক্টর এ রাধাবিনোদ শর্ম্মা, জেনিমসকী দিরেক্টর প্রোফেসর টি ঐচ ভিমো অমদি জেনিমসকী সুপরিন্টেন্দেন্ট জিতেননা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা এল জয়ন্তকুমারনা হায়খি, মীওইবা হায়বা অসি ইচম চম্বা থৱায় পানবনি। মীওইবগী হকচাংদা য়াওরিবা ঈ অসি হেক্তা ৱাৎলগদি মী অদু শি। ঐখোয় পোকপদগী শিবা ফাওবা ঈ অসি তৎন-থানবা য়াদবা অমনি। ঐ হিংগে হায়রবদি শ্বর হোন্দবা য়াদে অমদি ঈ লৈতবা য়ারোই। মরম অদুনা ঈ হায়বসি মীওইবগী হিংবদা চঙদ্রবা য়াদ্রবনি। ঈদা ঐচ আই ভি, মলেরিয়া অমদি হেপটাইটিসনচিংবা য়াওবরা হায়না হান্না চেক তৌগনি নৎত্রগদি ঈ অসি সেভ তৌবা য়াদে। ঐখোয়গী ঈ অসিদা করি করি য়াওরি হায়বা ঐখোয় কনামত্তনা খঙদে। হোস্পিটালগী মোর্গতা চৎলগা ঐখোয়না অশিবা হকচাং অদু য়েংবা মতমদা ঈ য়াওরল্লোই হায়খি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখিবা জেনিমসকী দিরেক্টর প্রোফেসর টি ঐচ ভিমোনা ফোঙদোকখিবদা, ঈ অসি ট্রান্সফ্যুজন তৌবা য়াম্না মরুওই। মীরোনবীশিংনা করিগুম্বা ঈ হাথরবদি খুদক্তা ঈ কাপ্পা য়াম্না মরুওই। ঈ পীবা মতমদসু মহিক-মতাং য়াওদবা অফবা পীবা মথৌ তাই। চহী ৫৫ গী মখাদা লৈবা মীওইশিংনা ঈ দান তৌবীনবসু হায়খি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইরিবা মণিপুর ষ্টেট এইদস কন্ট্রোল সোসাইটিগী প্রোজেক্ট দিরেক্টর এ রাধাবিনোদ শর্ম্মনা ফোঙদোকখিবদা, ঈ দান তৌবা হায়বসি মীওইবগী পুন্সি কন্নবগীদমক্তনি। থা মরি খুদিংগী ঈ দান তৌবা য়াই। চহী অমদা মীয়াম্না ঈ দান তৌরক্লিবা অসি চাদা ৩০ দগী ৪০ ফাওবনি। মরম অদুনা ঈ দান তৌহন্নিংই। ঈ দান তৌবশিং প্রমোট তৌসি হায়খি।

থৌরম অদুদা ময়াই তাংবল লৌখিবা নেসনল হেল্‌থ মিসন মণিপুর, ষ্টেট মিসনগী দিরেক্টর ডা. এস মনিকান্তনা ফোঙদোকখিবদা, ঈ দান তৌবশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মীওইবগী পুন্সি কনগদৌরিবা ঈ অসি মহুৎ শিনবা য়াবা পোৎ অমত্তা লৈতে। ঈ লৌবদা লায়না চেনবা য়াওবরা হায়দুনা টেষ্ট মখল মঙা ফ্রীদা তৌই। মরুওইনা ঐচ আই ভি, মলেরিয়া, হেপটাইটিস (সী) লৈব্রা হায়না চেক তৌবনি। মীওই অমা ওপরেসন তৌবা মতমদা ঈ য়াম্না মথৌ তাই। মোরে, চান্দেল, চুড়াচান্দপুর অমদি বিষ্ণুপুরনচিংবা নৌনা ব্লদ বেঙ্ক হাংদোক্লবা হোৎনরি হায়খি।

থৌরম অদুগী মমাঙদা জেনিমসকী কেম্পস মনুংদা রেল্লি অমসু চৎখি। মফম অদুদা মীয়াম্না ঈ দোনেসন তৌবগী থৌরম অমসু চীফ গেষ্ট এল জয়ন্তকুমারনা হৌদোকখি। থৌরম অদুদা ঈ য়াম্না য়ুনিট ৩০ দগী তাদনা ঈ দান তৌরবা মীওইশিংদা সার্টিফিকেট অমদি মমেন্টো পীদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি। লোয়ননা লাই য়েকপা চাংদম্নবদা মকোক মথং তারবা তোঙান তোঙানবা স্কুলগী মহৈরোয়শিংদা সার্টিফিকেট অমদি শেলগী মনা পীদুনা পূক্লিং থৌগৎখি।

Delta Advance School
Kwakeithel, Imphal (Opp. Oil Pump near Kwakeithel Bazar)
Co-Educational Hr. Sec. Affiliated to COHSEM
ADMISSION OPEN
Class XI (Science & Arts)
(DAS)
Special Admissions Offer for Limited seats only
2019 COHSEM School Performance
4th Position in Arts
Inspire Awardee in Sc.
100 % Pass in Arts
98% Pass in Sc.
Admission Criteria

| | |
|---|---|
| 85% & Above | Free Admission; 2 Years Scholarship (12,000 per annum); Free Tuition Fee; Free Coaching; Book Grant |
| 80% & Above | Free Admission; Free Tuition Fee; Free Coaching; Book Grant |
| 75% & Above | Free Admission; 50% exemption on Coaching; Book Grant |
| 70% & Above | Free Admission; 30% exemption on Coaching; Book Grant |
| 65% & Above | Free Admission; 30% exemption on Coaching |
| 60% & Above | 50% Exemption on Admission; 30% exemption on Coaching |
| 45% & Above | Direct Admission |

The Admission is based on the First come First basis.

SHINE TUTORIAL CENTRE
A Unique Education for Future
WANGKHEI KEITHEL ASANGBI IMPHAL EAST
ADMISSION OPEN

14th Position T. Kritibala Roll No 45965 TINY TOTS' UNIQUE SCHOOL
16th Position Kamei Langanglu Roll No 45903 TINY TOTS' UNIQUE SCHOOL
16th Position S. Jiddy Devi Roll No 45959 TINY TOTS' UNIQUE SCHOOL
24th Position MD. Hanif Roll No 34670 ANTARTIC ENG. SCHOOL
HSLC 2018
FOUNDATION COURSE
CLASS - X
BOSEM 2019-20
COMMENCE FROM
20th June, 2019
Last date of Admission 18th June, 2019

16th Position Paruldev Huidrom Roll No.40736 St. Joseph's School Sangaiprou
24th Position L. Merina Devi Roll No. 38177 St. George High School Wangkhei
2016
For Details:
Visit at the Office of the Shine Tutorial Centre
Contact No.: 9774223274
Limited seat: first come first served

4th POSITION MD. PERVEZ Brighter Academy (Checkon)
6th POSITION S. GYANENDRO SINGH Tiny Tot's Unique School
9th POSITION KSH. MONIKA DEVI Little Flower School (Sangaiprou)
2015
HL-P/4292/9-23

EDUCITY TUTORIALS
SAGOLBAND TERA TONGBRAM LEIKAI & NAGAMAPAL LAMABAM LEIKAI, IMPHAL WEST
ADMISSION OPENS FOR
2nd FOUNDATION COURSE
CLASS IX & X (CBSE / BOSEM)
CLASSES STARTING FROM – 10th JUNE, 2019
OUR SHINING STARS
Position Holders for HSLC-2019 (BOSEM)

7th Position W. Ningthem Meitei S/o. W. Samarjit Meitei & Th. Geeta Chanu
8th Position U. Aditya Luwang S/o. U. Geetchandra Singh & L. Anita Devi
11th Position Haobam Rijando S/o. H. Nandabi & H. Phajabi
12th Position M. Nerich D/o. M. Nabakumar Singh & M. Sunanda Devi
19th Position H. Aman Singh S/o. H. Tomba & H. Baby
22nd Position A. Pooja Sharma D/o. A. Ibomcha Sharma & Ph. Premlata Devi
23rd Position Md. Makbun S/o. Hamidur Rahman & Riyaz Begum
HIGH FLYERS FOR CBSE CLASS-X-2019

91.4 % R.K. Phalguni S/o. R.K. Bidhan & R.K. (O) Bidya
90.4 % Bandana Mutum D/o. M. Arunkumar & M. Randhoni
85.0 % Irungbam Thajalembi D/o. I. Kunja & I. Kunjamani
84.6 % Nikesh Sapam S/o. S. Bhogen & S. Sobita
83.0 % Nancy Keisham D/o. K. Sanatomba & Binapani M.
PRINTED STUDY MATERIALS/ PROBABLE SUGGESTIONS
AVAILABLE SEPARATE BOYS' & GIRLS HOSTEL
LIMITED SEAT - FIRST COME FIRST SERVE
COUNSELLING & REMEDIAL CLASSES FOR WEAK STUDENTS
HOSTEL FOR BOTH BOY & GIRLS
SPECIAL TEST
VAN FACILITIES
Subjects offer: Maths, English, Science, Social Sc., M.M., Hr. Maths & Home Science
Our faculties are:
Science - (i) Sir Opendro (ii) Sir John (iii) Sir Narajit
Maths & Hr. Maths - (i) Sir Anil (ii) Sir Subhas (iii) Sir Wenliam (iv) Sir Apoi
Social Science - (i) Sir S. Robin (ii) Madam Romita
English - (i) Sir Sanahal (ii) Sir. Dimbhajit
Meitei Mayek - (i) Sir Chandrakumar (ii) Miss Preety
Home Science - Mem Roxy
CLASS TIMING 4:30 – 7:30 AM (MOR) 4:30 – 7:30 PM (EVE)
PLEASE CONTACT: +91-6009103078 / 9612194500
HL-B/5409/23/5-22/6